# লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
হৌখিবা চহী ২০১৮গী জুন থাদা ক্রোর ২৭ লোমগী দ্রগ ফাবদা চেন্নখিবা চান্দেল এ দি সীগী হান্নগী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌবু থা অসিগী ১৭তা এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম ফল্লি।




ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সুগ্নুদসু ঙসি লুখোসৈ জৌ থাদোকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ইরৈমা নুপী লূপ অমসুং কাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অনীনা খূৎশম্নদুনা সুগ্নু অৱাং লৈকাইদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, ক্রোর ২৭ হেনবগী য়াল্লবা দ্রগকা লোয়ননা মশামক্কী ওফিসল ক্বার্টরদগী ফাবদা চেন্নবা মীওই অমবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই।

লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রগা মহাক্কী দ্রাইভরবুনা মরাল লৈরে হায়না জেলদা থাজিনখিবা অসি মীয়াম্না চিংনদবা ঙমদে। লুখোসৈ জৌগী মরাল কুপশিন্নবা হোৎনবদা নহা ওইরিবা দ্রাইভর অসি উশিন ওইনা শীজিন্নবা ওইরম্বা য়াই।

লুখোসৈ জৌগী কেসতা লৈবাক অসিগী ফম্নাইবা কয়া চেন্নরম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ৱার ওন দ্রগকী খোঙথাং পায়খৎপা হৌখ্রবসু ক্রোর কয়াগী দ্রগ কেসতা চেন্নবা মীওই অমা থাদোকখিবা মতমদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈহৌরিবা অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চিংনদবা ঙমদে। লমদম অসিদা চহী কয়াগী মমাংদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং চাবা অমদি য়োনবা থিংনবা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু লৌখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কাদানা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খুন্নাই অসিবু কঞ্জনবা খোঙজং খূদিংমক্তা মাংজিল থানা শরুক য়াগনি হায়খি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লুখোসৈ জৌ থাদোকপা য়ানিংদে, ৱার ওন দ্রগ ফাগি তাহনগনু অমসুং লমদম অসিগী নহারোলশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মাংজিন থারম্বা মায়থোং য়াম্বা অইবা অমা ওইরিবা অরিবম চিত্রেশ্বরনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা সাহিত্য থৌপাং লুপ (সাথৌলুপ)না ঙসি অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফমদা অইবা অসিনা মণিপুরী সাহিত্য অমসুং কলচরগীদমক কৎথোক্লম্বা অদুবু শিংথাদুনা মেম্বরশিংনা ৱাফম কয়া থমখি। শক্ল ইরবা অইবা শরতচান্দ থিয়াম্না হায়, লৈখিদ্রবা অইবা মায়থোং য়াম্বা, থবক ঙম্বা, পুকচেল শেংবা অমদি মরৈবাক মরমদমবু চেৎনা নুংশিজবা মীশক অমনি। মহাক্না মণিপুরী কলচরগী, ইতিহাসকী, লাইয়েকপগী, লাইরিক ইবগী অমদি ওর্গনাইজেসনগী থবক কয়াদা কৎথোকপগা লোয়ননা মাংজিল থানা চঙশিল্লম্মী। অসিগুম্বা মীওই অমা লৈখিদবা হায়বসি মণিপুরী খুন্নাইগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়খি।

## অহিংদা থাক্লম্বা লাং ১১ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
ককচীং রেঞ্জকী মনুং চনবা পল্লেল অমদি পঞ্জাও বিট ওফিস অমসুং ৱাইল্ডলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জর্ভেসন কম্মিটিগী অপূনবা খূৎপু অমনা ঙসি লৌশি পাৎকী মফমশিংদা পাক শন্না চথখিবা দ্রাইভ অমদা অহিংদা থাক্লম্বা উচেক লাং ১১ ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা লাংদা থুরম্বা উচেক অহুমসু থাদোকখ্রে হায়রি।

ঙসি অহিংদগী চথখিবা দ্রাইভকা মরী লৈননা নাওরেম মুনাল মৈতৈ রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসরনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়াম শুফম-নোম্ফম লৈরক্তবদগী উচেক লাং থাকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লি। অদুবু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি লৌশি পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্না কন্না হোৎনবদগী লাং থাকপগী চাং খরমখে হন্থরুরে। অদুবু লাইবক থীবদি খৃষ্টমাস কুম্মৈগী খূদোংচাবা লৌদুনা উচেক লাং থাকপগী চাং খংহেন হেনগৎলকখিবনি।

লৌশি পাৎতা মীওই খরনা উচেক লাং তোয়না থাক্লে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৩ দগী লৌশি পাৎতা লুমদুনা লাং থাকপা মীওইশিং লাকপা ঙাইখি। লাইবক থীবদি নোং ঙাল্লবা ফাওবদা লাং থাক্লম্বা মীওইশিং অদু অমত্তা লাক্তবনা মরম ওইরগা ফাবা ঙমখিদ্রে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, লৌউরিবা লৌপূশিংনসু ইশাগী লৌফমদা অতোপ্পা মীওইনা লাং থাকপগী অথিংবা থমগদবনি। ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট, ১৯৭২গী মতুংইন্না মরাল লৈরবশিং করিগুম্বা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ফারবদি চহী ৩ ফাওবা জেলদা থম্বা নৎত্রগা লুপা ২৫,০০০ ফাইন থীহনবা য়াই। মরম অসিনা মীয়াম্না লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিবীয়ু অমদি মখোয়বু লুনা-চানা তৌবীয়ু হায়নসু মুনালনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
কোভিদ-১৯ মায়োক য়াবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লোকল ফ্রন্টলাইনদা ভলন্টিয়র ওইনা থোরক্লিবা মীওইশিংনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি অমদি ভলন্টিয়রশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লে হায়না য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি বিষ্ণুপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা ভলন্টিয়রশিংদা মণিপুর লৈঙাক্না মতেং পাংবীবগা লোয়ননা অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লোকল এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈবা লৈকাই ১২গী ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিং অমসুং সী এস ওশিংনা পূন্দুনা য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, বিষ্ণুপুর শেমখিবনি। কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা মীয়ামগীদমক খল্লগা থৌনা ফনা চোঙথোরক্তুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মায়োক য়াবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী মরমদা এৱ্যোরনেস পীবগা লোয়ননা কৈথেলদা পোৎ লৈবা অমদি য়োল্লিবা মীওইশিংদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎনবা ভলন্টিয়রশিংনা হোৎনখি।

মরক অসিদা, কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মশামক কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী রিমস হোস্পিটালদা লৈরি। মরী লৈনবশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি অমদি লৈঙাক্নসু য়েংশিনবীবা লৈতে হায়না কম্মিটি অসিনা পেন দবা ফোঙদোরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা থৌনা ফনা থোরক্লিবা ভলন্টিয়রশিংগী ৱাখল্লোনদা নুংঙাইতবা ফাওহনবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা মশা-মশা য়াওনিংদবগী ফীভম অমা লাক্লে হায়নসু য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি বিষ্ণুপুরনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হৌজিক-হৌজিক রিমসকী আই সী য়ুদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম বিকি অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা আপিল তৌরক্লি।

## সঙাইথেলদা লৈতে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
চহী অসিগী দিসেম্বর ১৭ অমসু ১৮ দা মণিপুরদা ফোংবা পাউ চেশিংদা য়াওখিবা সিংহাত পুলিস অমসুং বোহিয়াং পুলিসকী অপুনবা খূৎপু অমনা টিদ্দিম রোদকী ইন্দো-ম্যান্মা বোর্দর পিল্লর-৪১ মনাক্তগী ফাখিবা অশেম দিনেস এলাইজ অনিংবা (৩৬) অপোকপগী মীং লৈখিদ্রবা ইনাও হায়রিবা মীওই অসি সঙাইথেল বজারদা লৈতে হায়না সঙাইথেল য়ুথ স্পোর্টিং ক্লবনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

## অচুম্বা খোঙথাংনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক্তা চহী কয়াগী মমাংদগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়া নুংশি চান্নদা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লি। খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মশক তুং কোইনা ঙাকপা ঙম্নবা অমদি নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা স্পেসল ষ্টেটস পীহন্নবগী কোকোমিনা লৌরক্লিবা খোংথাং অসি অচুম্বনি অমদি হিরম অসিগা মরী লৈননা কোকোমিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা কংলৈ ইকোনোমিক দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কেদো) না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

## লাইরিক অহুম ফোঙগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
রাইর্টস ফোরম ইম্ফাল, মণিপুরনা মণিপুরী খোরিরোলগী ফজরবা মশকপু খঙহন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা দিসেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুঙ ১ তাবা মতমদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমি (জে এন এম দি এ), ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা লাইরিক অহুম ফোঙগনি হায়রি।

রাইর্টস ফোরম মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিদা ফোঙগদৌরিবা লাইরিকশিং অদুদি দিল্লিপ মায়েংবমগী 'খোঞ্জেলগী মচু' (ৱারেং), মোইরাংথেম নোটিলালগী 'শিরোই লিলি অমসুং লোক্তাক' (শৈরেং) অমদি সিজগুরুময়ুম সুচিত্রানা ইবা 'য়েন্নিংথানা লাক্লবদা' (নোভেল) হায়রিবশিং অসিনি।

রাইর্টস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমার অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম ইবোমচানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবী অইবী সহিত্য একাদমি এৱার্দি ডা. অরাম্বম মেমচৌবী অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. ৱাহেংবম কুমারী চনুনা ফোঙগদৌরিবা লাইরিকশিং অদুগী মরমদা ৱা ঙাংগনি অমদি থৌরমগা মরী লৈননা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট লোইতোংবম দোরেন্দ্রনা শৈরেং খুদোল তন্বীগনি।

## চিত্রেশ্বর লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অরিবম চিত্রেশ্বর, খোংমন মংজিলনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রাইর্টস ফোরম ইম্ফালনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা রাইর্টস ফোরম, ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা চিত্রেশ্বর মণিপুরী খোরিরোল, পেন্টিং, স্কল্পচর অমদি অরিবা নত সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা অচৌবা খুদোল তল্লম্বা মীওই অমনি। অরিবা নাৎকী মরমদা থিজিল্লম্বা তাংলবা মীশক অমনি। অসিগুম্বা মীওই অমা লৈখিদবসি মণিপুরী খোরীরোলদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি।

চিত্রেশ্বরনা হিংলিঙৈ মতমদা লাইরিক কয়া ইরম্মী। মহাক্না ইরম্বশিংগী মনুংদা মনা ফংখ্রবা লাইরিকশিংদি অপাইবা লৈচিল (নোভেল), ২০১৭-১৮ গী লেমজনিঙাই ওইরবা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর, থরোশংবী (নোভেল), সহিত্য একাদমি এৱার্দ অমসুং লুপথখ্রবা হিনাও (ৱারী মচা), মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দনি।

রাইর্টস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কৈশাম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মীৎয়েং মখাদা লিলোং হাউরৈবী কোলেজগী য়ুথ রেদ ক্রোস য়ুনিটনা এন এস এস অমসুং এন সি সিগা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ষ্টুদেন্টস সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং কোলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে

কোভিদ-১৯: ইটস ইম্পেক্ট ওন য়ুথ হায়বা টোপিক অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ডা. আর কে নিমাই রিটয়র্দ আই এ এস সেক্রেটরি ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, নরেন্দ্র নিঙোম্বা চ্যেরমেন ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চ অমসুং ডা. সুনিল সেঞ্জম এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রি এম য়ু না মরুওইবা ৱাঙাংলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।

লিলোং হাউরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. রাহৈজুদ্দিন শৈখনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোয় ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

## 'খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না শীন্দুনা ঙরাংজি এম হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রবদি কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর ৱেলফেয়র এসোসিএসননা মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদু লৈঙাক্না হকচিন্না লৌফম থোকই। মীয়ামগী ৱারেপশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্লবা ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনগদবনি। করিগুম্বা মীয়াম্না লৌখিবা ৱারেপ থওইদদুনা তুমিন্না লৈশিনখিবা তারবদি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি হায়না লৌবগা লোয়ননা তঙাইফদনা নোংমগী চরা তান্দুনা হিংলিবা রিক্সো দ্রাইভরশিংনা লমদম অসিগী খল্লগা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিং শৌগৎনবগীদমক শেম শারে। মরম অদুনা এসোসিএসন অসিগী মশা ওইরিবা পার্কিং কম্মিটিশিং, দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ব্রাঞ্চশিং অমদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা রিক্সো থৌবা থোরক্ত্রিবা য়ূম-য়ূমদা লৈরিবা রিক্সো দ্রাইভরশিংনা কোকোমিনা চঙশিল্লক্কদবা খোঙজংশিংদা শরুক য়ানবগীদমক শেম শারগা লৈবীরো হায়রি।

## এৱার্দকীদমক লাইরিক কৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
ইমা থোঙাম থোইবী নীংশিং খোরিরোল মনা ২০২১ গীদমক অইবা অইবীশিংনা হৌখিবা চহী ২০১৭ তগী ২০২০ ফাওবগী মনুংদা ফোঙখিবা শৈরেং, ৱারীমচা, নোভেল, লীলা, দ্রমা অমসুং নৈন- ৱারেংগী লাইরিক কোপী ৩/৩ মথং চহীগী জানুৱারী ১ দগী হৌরগা ৫ ফাওবগী মনুংদা নোংচুপ হারম খোর্জে লুপ (নোহাখোল) গী ওফিসতা নুংথিল পুং ১২.১২ দগী ২ ফাওবদা পীশিল্লক্নবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা লুপা ১০,০০০, সাল, মেমেন্টো অমদি সাইটেসন য়াওবা খোরিরোলগী মনা অসি লুপসিগী ৩১ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ মথং চহীগী এপ্রিল ২১ দা লান্থোক্কনি হায়না নোহাখোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## আর্টস এগজিবিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা অহানবা ষ্টুদেন্টস আর্টস এগজিবিসন অমা দিসেম্বর ২৮ অমসুং ২৯দা ফাইন আর্টসকী দিপার্টমেন্টতা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজকী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টসনা শীন্দুনা নুমীৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদবা এগজিবিসন অসিদা ভাইস চাঞ্চেল্লর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি প্রো. অমর য়ুম্নাম, ডা. আর কে জয়কুমার, এসোসিএট প্রোফেসর ঐচ ও দি ইংলিশ ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং প্রো. নহাকপম অরুনা, দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ, ঐচ ও দি (আই সী) দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইন আর্টসনা মথৎশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):
গুরু কুল্লা কলচরেল একাদমি খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়না শীন্দুনা এস ঐচ প্রেমানন্দ শর্ম্মা, ও এস দি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর টু ন্যু দিল্লি, পি বিলাস সিংহ, দিরেক্টর ইনচার্জ জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমি (জে এন এম দি এ) অমদি ঐচ নবচন্দ্র শর্ম্মা, নোমিনি ওন দি জেনরেল কাউন্সিল ওফ সঙ্গীট নাটক একাদমি তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি গুরু কুল্লা কলচরেল একাদমিগী রিহর্সেল হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না একাদমি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ADMISSIONS OPEN FOR THE ACADEMIC YEAR 2020-21

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW!!!
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES FOR MANIPURI STUDENTS

COURSES OFFERED

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

OFFICE TIME: 8AM TO 4PM
CONTACT US: 8310788408, 9035374340, 7005156406
SAGOLBAND MEINO LEIRAK, IMPHAL.
HL-P/8183/5/12-4/01

TRANSLATING
DRAFTING & EDITING
AT
WONDER WORD WEAVER

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com
HL-B/6513/8/11-6/12 (alt)

/ নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6572/1-30/12

/ JOB FOR X AND XII PASS

Lairiksu tamna tamna matam manghandana thabak touba yaraba, ishagi knowledge amasung experience loinna tunggi careersu matik chana semba yaraba Multi National Organisation amagi new Branch singidamak tongan-tonganba official post 71 gidamak athuba matamda thabak koujari.

| | | |
|---|---|---|
| Qualification | : | X, XII, Graduate |
| Age Limit | : | Below 35 yrs. |
| Income | : | 10,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

NO DEPOSIT OR REGISTRATION REQUIRED.
All Male and Female or Freshers can apply.

Athappa Meeoisinggidamak leipham chaphamgi facility leigani.
Apply toubiningbasingna athuba matamda contact toubiraku.

HL-P/8360/28/12-5/01
Contact : 9774986962, 8837369704

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

**Ref :- Mutation case no. 240/SDC/K 18/12/2020**
Longjam Sushila Devi W/o Naorem Manindro Singh of Kakching Chumnang Hospital Road. -Petitoner
-Vrs-
Naorem Gopal Singh S/o (L) Durga Singh of Kakching Khullen. -Opp. Party

/ **NOTICE**
Kakching, the 24-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচীং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬৪ পাট্টা নং ৩০ অরিবা ১০৭ অনৌবা দাগ নং ৩২৩৮কী এরিয়া ০.৪১৮৮৬ হেক্টর চাওবা ফৌরেল মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- S. Ibomcha Singh**
Sub-Deputy Collector, Kakching
HL-B/6650/28

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref :- Mutation case no. 598/AS & SO 22/12/2020**
Takhellambam Dorendra Singh S/o T. Lala Singh of Pallel Mayai Leikai.
-Vrs-
Takhellambam Nokullo Singh S/o (L) Gopal Singh of Pallel.

/ **NOTICE**
Dt. 22-12-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচীং তহশিল খুল নং ৫২-পল্লেল পাট্টা নং ৩৪/৯৭/৪২৫ অনৌবা, দাগ নং ১৪৬৯ এরিয়া .৫৩ হেক্টর ইংখোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার তখেল্লম্বম নোকুল্লো সিংহ পীং মৃ গোপাল সিংহ সাং পল্লেল অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
Kakching
HL-B/6651/28

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 460/SDC/IW-L/2020**
Ningthoujam Shyamton Singh S/o (L) Podo Singh of Koutruk. -Petitioner
-Vrs-
Late Ningthoujam Podo Singh S/o (L) Tarpan Singh of Koutruk. -OP/Party

/ **NOTICE**
26/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার নিংথৌজম পার্দা সিংহ পীতা মৃত তর্পন সিংহ সাং কৌত্রুককী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌত্রুককী অনৌবা পাট্টা নং ১৬৩ দাগ নং ১২ এরিয়া ০.৬৩৯৯৯ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**
HL-P/8362/28

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 459/SDC/IW-L/2020**
1. Ningthoujam Kishan Singh S/o N. Shyamton Singh of Koutruk.
2. -do- Shyamjai Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners
-Vrs-
Late Khaidem Kwaklei Naga S/o (L) Talang Naga of Konsha Khul. -OP/Party

/ **NOTICE**
26/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার খাইদেম ক্বাকলৈ নাগা পীতা মৃত তলাং নাগা সাং কোনশা খুলগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কৌত্রুককী অনৌবা পাট্টা নং ১৭০ দাগ নং ৫৭, ৩১৩ এরিয়া ০.৫৯০০৭, ০.০৬০০০ চাওবা লম অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবনীনেবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**
HL-P/8362/28

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 461/SDC/IW-L/2020**
1. Leishangthem Ibeyaima Devi W/o Anganghal Singh of Heibongpokpi Makha Leikai.
2. Thokchom Biren Singh S/o (L) Khamba Singh of -do-
3. -do- Rajendro Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Jugeshwar Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners
-Vrs-
Late Thokchom Khamba Singh S/o (L) Amujao Singh of Heibongpokpi.

/ **NOTICE**
26/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থোকচোম খম্বা সিংহ পীতা মৃত অমুজাও সিংহ সাং হৈবোংপোকপীগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরাং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ১৯০ দাগ নং ২১৪ এরিয়া ২.০০০০ চাওবা ফৌরেল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**
HL-P/8362/28

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 462/SDC/IW-L/2020**
1. Keisham Jadumani Singh S/o (L) Manihar Singh of Lairenkabi.
2. -do- Roton Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Khomba Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Surjit Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners
-Vrs-
Late Keisham Manihar Singh S/o (L) Mani Singh of Lairenkabi -OP/Party

/ **NOTICE**
26/12/2020

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার কৈশাম মনিহার সিংহ পীতা মৃত মনি সিংহ সাং লাইরেনকাবীগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৫৮-অৱাং লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৫ দাগ নং ১৫৪ এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৫৩৫ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector : IW: Lamsang**
HL-P/8362/28